# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুরগী মীহুৎশিংনা রাজ ভবনদা গভর্ণর উনদুনা আইমোলগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবীয়ু হায়দুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা ফূরুপ অসিগী মীয়াম্বু হীরম কয়াদা শৌগৎপীনবা পূক্নিং চিংশিনখিবা


থম্মোয় পাউদম : স্কুলগী থোঙজীন্দা অহানবা খোঙথাং - ৩ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ নহাক্কী ব্রেনদা য়াওরিবা নীংশিংবশিং অদু ...

"তম্বা ঙমদ্রিবা মণিপুরগী লাইবক" ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ কুকি 'সূ'গী কেম্পশিং তেংনৌপল, চূড়াচান্দপুর...

বিহারগী এস আই আরগী মায়োক্তা আই এন... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ডা. বি সী রোই ত্রোফিঃ মণিপুরনা ওড়িষাবু পাঞ্জল...


বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পুজা এলাংবমনা লাইশোইদা লৈবা তাকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগা হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী অৱা-অনাশিং য়েংশিনখিবা




Vol. 49, Issue No. 113 | য়ুমশকৈশা, ইঙেনগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, July 23, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## চিন-কুকিগী নৌনা শেম্বা 'নন-সূ' গ্রুপশিং হাৎতোক্নরে তমেংলোংগী দৈভেজাং খুলদা য়ু কে এন এগী কাদর ৫ শিরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী চীংগী এরিয়াশিংদা ওপরেট তৌরকখিবা কুকি-জো ফূরুপকী তোঙান তোঙানবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংবু কুকি নেশনল ওর্গনাইজেশন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী মখাদা কাঙলূপ অনী থোক্না খোমজিল্লগা মণিপুর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কা কুমজা ২০০৮দগী ওফিশল ওইনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) গী অয়াবা থম্নরক্নুনা নাকল অহুমগী মরক্তা ৱারী শানবা হৌরকপদগী মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা লান অসিদগী মণিপুর লৈঙাক্না মমাঙ চহী ২০২৪গী ফেব্রুৱারীদা 'সূ সিগ্নেটরি' দগী হন্দোকখ্রবা মতুংদা নৌনা শেমখিবা চিন-কুকিশিংগী মিলিটেন্ট গ্রুপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নদুনা হাৎতোক্নবা হৌরক্লে।

ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তারকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নুংবা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা লোংপি খুলগা নক্নুনা লৈবা দৈভেজাং খুলদা সূ তৌনবদা



সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন 'সূ' গী অয়াবা থম্নরক্লিবা কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপ অমা (ফাইল ফোটো)

য়াওদ্রিবা চিন-কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নদুনা পার্টি অমনা অমগী কম্মান্দর য়াওনা কাদর ৫ হাৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অসি নুংবা পুলিস ষ্টেশনদগী মখা রোমদা কিলোমিটর ৫০ লোম লাপ্না লৈবা অশুকপা জঙ্গলগী শরুক অমদনি হায়রি। মফম অদু গাড়ী চঙথোক চঙশিন তৌবা য়াবা মফম ওইদবদা নত্তনা মোবাইল ফোনগী সিগ্নেল ফংদবা মফমনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## পার্লিয়ামেন্ট : নীনি চনবা নুমিৎতসু হাউস ২মক এদজোর্ন তৌখ্রে দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন হরিভন্সনা রাজ্য সভাবু প্রিসাইদ তৌখি

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ২২ (এজেন্সী) :** পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী নোংজু মীফম ঙরাংদগী হৌখ্রবসু অহৌবা নুমিৎতা হাউস অনীমক্তা ওপোজিশন মেম্বরশিংনা পহলগাম টেরর এটেক অমসুং ওপরেশন সিন্দুরগী মতাংদা খন্নগদবনি হায়দুনা অকনবা প্রোটেষ্ট লেপ্তুনা তৌরকপদগী লোক সভাগী মীফম মরিরক য়েথোক্লবা মতুংদা ঙসি অয়ূক পুং ১১দগী মহৌশাগুম্না অনীশুবা নুমিৎকী মীফম চথবা হৌরকখ্রবসু অমুক হন্না ওপোজিশনগী মায়কৈদগী প্লেকার্দনচিংবা পায়বদা নত্তনা স্লোগানশিং লাউশিল্লকপদগী এদজের্ন তৌখি। থৌওং অসিমক রাজ্য সভাদসু চপ মান্ননা থোরকপদগী সভা অনীবু প্রিসাইদ তৌখিবা মথংশিংনা স্পিকর ওম বিরলা অমসুং দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন হরিভন্সনা সভা অনীমক হয়েং অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি।

ওপোজিশন মেম্বরশিংনা বিহারগী মীখল মমাঙদা চথরক্লিবা ভোটর লিষ্ট রিভিজনগী মায়োক্তসু অকনবা খোল্লাওশিং লাউশিনবা



রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন

হৌরকখি। ওপোজিশন মেম্বরশিংগী থৌওং অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ওপোজিশনদা ওনশিন্দুনা মখোয়না দবল ষ্টেন্দর্দ তৌরে হায়দুনা চৈখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ওপোজিশননা খন্নগদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরিবশিং অসিগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থৌরাং তৌদুনা লৈরি। মসিদা করিগীদমক্তা নখোয়না হাউসকী প্রোসিদিং চথবদা য়ানীংদ্রিবনো হংখি।

দবল ষ্টেন্দর্দগী থৌওং অসি অরানবনি হায়রদুনা করিগুম্বা হীরম অমগী মতাংদা খন্নবা পাম্লবদি হাউসতা চরাংনবা থোকহল্লোইদবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি খন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরবসু ওপোজিশননা পব্লিক মনি মাঙহল্লে হায়দুনা ফাওবা মরাল শীখি।

বি জে পিগী মেম্বর জগদমদিকা পালনা চ্যের লৌদুনা লোক সভাগী ঙসিগী মীফম নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপদগী অমুক হন্না চথনবা থৌরাং তৌরদুনা মহাক্না ওপোজিশনগী মেম্বরশিংবু মখোয় মখোয়গী ফম্ফমদা চঙশিন্দুনা ফম্লগা হাউসকী থবক থৌরমশিং মখা তানা চথনবা হায়খি।

অদুগা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর অর্জুন রাম মেঘৱালনসু রুলগী মতুংইন্না স্পিকরনা ৱায়েল পীরবদি ইস্যু খুদিংমক খন্ননবা লৈঙাক্না থৌরাং তৌরি হায়রদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## এক্টিভ কেস ১৩ শুরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস):** কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা অকন্নবা থবক পায়খৎলক্লিবা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী ওফিশলশিংনা ফোঙদোরকপা ঙসিগী ষ্টেটস অপদেটকী মতুংইন্না ঙসি সেম্পল ২৫ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ কেস ৬ থেংনখিবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা মায়োক্লবা এক্টিভ কেসকী মশীং ১৩ শুখ্রে।

## য়ু এন সী ১সুং অন্সমনা লুচিংবা মীহুৎশিংনা গভর্ণর উনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস):** য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) অমসুং ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন (অন্সম) না লুচিংবা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন (এন দব্লিয়ু য়ু) অমসুং নাগা পিপলস মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইটস-সাউথকী মীহুৎশিংনা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণরগা উনদুনা চীংগী লমদা পায়খৎলিবা লোইশিন্দ্রিবা দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টকী থবকশিং লোইশিনবীনবা অমসুং এফ এম আর অমদি বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা মখোয়গী অনীংবা অপান্বশিং ফোঙদোকখ্রে।

## থাঙ্গাল কৈথেলদসু লম খোপচিনবশিংগী মায়োক্তা উকাই তকথবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থা অসিগী ৪দা থোকখিবা ওর্দর অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরু ওইবা লম্বী অমসুং পব্লিক প্লেসশিংবু খোপচিন্দুনা পোৎ চৈ পৈশিনবা, দুকান শাজিনবা অমদি হোটেল ফমজিনবনচিংবশিং য়াওনা য়ূম শাবদা হেঞ্জিন্না শাজিল্লকপশিং থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা মশা মশানা খঙনা লৌথোক্নবা খঙহনখ্রবসু ওর্দর অসিবু থবক্তা ওন্থোরক্তবশিংগী মথক্তা দি সী মশামক্না লুচিংদুনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদগী মালোম, মোইরাংখোমদগী কাঞ্চিপুর



ফাওবনচিংবদা এনক্রোচরশিংবু তকথোকপগী ইভিক্সন চথরকখ্রবা মতুংদা ঙসি থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং মসিগী অকোয়বদসু লোগী ৱাংমদা এনক্রোচ তৌশিল্লকপশিংগী মথক্তা উকাই তকথবা হৌখ্রে।

ঙসিগী ইভিক্সন দ্রাইভতা এস দি ও (লম্ফেল), এস দি সী (হেদ ক্বার্টর) লম্ফেল, এস দি সী (সেন্ত্রেল-১), এস দি সী - ২, সিটি পুলিস, ত্রাফিক পুলিস অমসুং এম এস পি সী এলগী ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি।

দ্রাইভ অসিগী মনুং চন্না লোগী ৱাংমদা লম খোপচিন্দুনা শাজিল্লম্বা মীওই ১৯০ রোমদা ফাইন থিনবা ওফিশল ওইবা চেরোলশিং পীরম্বগা লোয়ননা ফাইনগী শেনফমশিং নুমিৎ ১৫নিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## চহী ১০খক্তা ঙাইরিবা মহৈরোয় নুপামচা ১ থৌরী য়ান্দুনা শিরক্লে

### মথন্তা শিজব্রা নৎত্রগা হাৎতোকপীব্রা, জে এ সী শেমখ্রে, ৱাথোক ওইরক্কদৌরি

**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) :** মশাগী একাদেমিক এজ (২০-০১-২০১৫) গী মতুংইন্না চহী ১০ রোমদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা থৌরী য়াল্লক্লে হায়বা থৌদোক্তা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।



থৌদোক অসি মহাক মথন্তা শিজনবা হোৎনখিব্রা নৎত্রগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২





HL-B/9713/17,20,23,26,27,30,31


## য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস):** পুলিসনা ঙসি চীংমৈরোং মনীং লৈকায়দগী প্রিপাক (প্রো) গী এক্টিভ কাদরনি হায়বা ৱাঙ্খেম অমরজিৎ এলিয়জ তাং এলিয়জ লময়ানববু মহাক্কী লৈকায়দগী ফাগৎখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মচিন্দগী হাওরং কৈরেল মখা লৈকায়দগী লাইশ্রম পানঙম্বা এলিয়জ মেক্সিকো (৩১) অমসুং লমশাংগী তাওথোং অয়ুংবা মমাঙ লৈকায়দগী খাঙেম্বম রিকি এলিয়জ য়াইফবা (২৭) কৌবা লালহৌলূপ অসিগী অতোপ্পা য়ু জি অনীসু ফারে হায়রি।

## ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি অমসুং অর্কাইবসকী কম্পাউন্দবু অথম্মল লৌবা রিক্সোশিংগী থম্ফম ওন্থোক্লব্রা হংনরক্লে



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈরিবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরদা লৈবা লাইব্রেরিশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী লীরবা অমসুং অচৌবা লাইব্রেরি অমা ওইবদা নত্তনা লাইব্রেরি অসিগী কেম্পসতা মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসসু পূন্না লৈমিন্নরিবা লাইব্রেরি অমসুং অর্কাইবসকী কম্পাউন্দ মনুংদা নুমিৎ খুদিংগী য়াম্লবা রিক্সোশিংবু অথম্মল লৌদুনা থমহল্লক্লিবা অসি লাইব্রেরি নৎত্রগা অর্কাইবসকী করম্বা থৌরাং থৌশিলগী মনুং চনবনো নৎত্রগনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাইব্রেরি অমসুং অর্কাইবসকীদমক্তা পীফম থোকপা অমসুং মথৌ তাবা শেলশিং পীবিদবদগী রিক্সোশিংদগী লৌবা অথম্মলনা মতেং-মতেং ওইননবা হোৎনরব্রা হায়বগী ৱাহং অউবশিংনা হংনরক্লে।

ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি অমসুং মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবস হায়রিবা য়াম্না মরু ওইরিবা লাইব্রেরি অমসুং লোয়শঙ অসি লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা লৈরক্লিবনি। অদুবু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বেঙ্গলুরুদা মিজোরাম ১সুং মণিপুরদগী নুপী ২দগী লুপা ক্রোর ১৪ হেনবগী কোকেন ফারে

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ২২ (এজেন্সী):** পাউগী এজেন্সীশিংনা তৌরকপা রিপোর্ট অমদা ঙরাং দিরেক্টোরেট ওফ রেভন্যু ইন্টলিজেন্সনা বেঙ্গলুরুগী মফম অমদা ইন্টর ষ্টেট নার্কোটিক্স ত্রাফিক্কিংগী মায়োক্তা চথরকপা অকনবা থবক্কী মনুং চন্না মিজোরাম অমসুং মণিপুরদগী নুপী ২দগী লুপা ক্রোর ১৪.৬৯ রোমগী মমল ওইগদবা কোকেন ফারে হায়রি।

দ্রগশিং অসি বেঙ্গলুরুগী কট্টনপেট মনাক্তা লৈবা মফম অমদা দি আর আইনা চথবা ওপরেশন অমদা ফাগৎলকখিবনি। দ্রগশিং অসি নুপী অনী অসিনা সাপোন কেপশিংদা হাপ্লগা পুরকখিবনি। ফারবশিংদি মণিপুরদগী লালজাম লুভাই অমসুং মিজোরামদগী লালথাং লিয়ানি কৌই হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### লৈঙাক্না আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাং

## আই দি পিশিংনা হোংজিন্নবা শেংদোকপা হৌনরে অদুবু সিক্যুরিটিনা ঙাক্তুবদি অহিং তূম্বা ঙম্লোই হায়রক্লি

### য়ূম শেমজিন্নবা লুপা লিশীং ৭৫ পীগনি হায়রিবসিনা কোন্নরোই, খরা হেন্না পীবিয়ু : তাইরেনপোকপী চীংতাবগী আই দি পিশিং



**ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা অমুক হঞ্জিন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদি অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা অমদি হরাওবা ফাওই অদুবু চপ চাবা সিক্যুরিটি পীদ্রিবা ফাওবদি য়ূমদা অহিং তূম্বা ঙম্লোই হায়বগা লোয়ননা লৈঙাক্না য়ূম শেমজিন্নবগীদমক লুপা লিশীং ৭৫ পীগনি হায়রিবা অসিনা কোন্নরোই। মরম অসিনা শেনফম অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২